# থাংজম অরুনকুমারদা বি জে পি অমসুং এন পি পিদগী তোল্লকপা ৱার্করশিংনা শৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচ এনএস) : ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ওক্রম হেনরি অমসুং এন পি পিগী মীরেপ ওইরিবা ৱাই ইরাবোতকী ৱার্কর ৪০ মুক্না এ সী অসিদা জে দি - য়ুগী মীরেপ ওইরিবা থাংজম অরুনকুমারদা চঙলক্তুনা শৌগৎলকপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু চীংমৈরোংদা লৈবা মীরেপ অসিগী য়ূমদা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা বি জে পি অমসুং এন পি পিগী ৱার্করশিং ওইরম্বদগী জে দি - য়ুদা নৌনা চঙলক্তুনা শৌগৎলকখ্রবা হাট্টা গোলাপতিদগী মীতৈ পাঙলশিংবু তরাম্না ওকখি।

থৌরম অদুদা ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী জে দি - য়ুগী ৱাঙাঙলোয় হাজি অরাফট অলিনা বি জে পি অমসুং এন পি পি হায়বা পার্টি অসি পামদবদগী জে দি - য়ুদা চঙলকপনি। ৱাংখৈ এ সীগী জে দি - য়ুগী মীরেপ ওইরিবা থাংজম অরুনকুমারনা হোৎনজরিবশিং অসিদা থাজবা থমদুনা চঙজরকপনি অমসুং জে দি -য়ুবু পামজবদগী চঙলকপনি হায়খি।

করিগুম্বা জে দি - য়ুগী মীরেপ টি ঐচ অরুনকুমারনা মায় পাক্লক্লবদি অনৌবা অওনবা ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ওইরক্কনি। নহাশিংগী থবক ফংদবগী অৱাবা অমদি দিভেলপমেন্ট কয়া পুখৎতুনা মতম মতমগী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎতুনা অশানবা মীৎয়েংদা থবকশিং পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবদগী চঙলকপনি হায়খি।

হান্নদগী লৈরক্ল বশিংদা হুনবসু পামজদে অদুবু মীয়ামগী অপাম্বগী হক অদুগী মতুংইন্না চঙজরকপনি। মরমদি বি জে পিগী ফিরাল য়ুংলম্বদা মশা মশাগী য়ূম্বু ফাওবা খঙদনা ফিরাল য়ুংলম্বা য়াওই অদুবু কনাসু শাওনবা লৈখিদে। মীখল হায়বসিদি মশা মশাগী অপাম্বদা চৎচগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# জে দি -য়ু য়াওদনা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক শেম্বা...

*লামায় ১গী মখা...* নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী মতুংদা লৈঙাক শেম্লকপদা জে দি - য়ু য়াওদনা লৈঙাক শেম্বা ওইথোক্লোই। লৈঙাক্তা জে দি -য়ুনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মণিপুরদা পার্টি অসি য়াওবা লৈঙাক অমা শোয়দনা লাক্কনি। জে দি - য়ু অসি নোর্থ ইষ্টতা অমদি লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মপাঙ্গল কনখৎলক্লিবা পার্টি অমনি। নোর্থ ইষ্টকী ওইনা নাগালেন্দদা লৈঙাক শেম্বদা য়াওখ্রবা পার্টিনি। হন্দক্কী মীখল মতুংদা জে দি - য়ু য়াওদনা মণিপুরদা লৈঙাক শেম্বা ওইথোক্লোই হায়রদুনা মীয়াম্না জে দি - য়ুগী ভোট পীবিয়ু হায়খি।

# বি জে পিনা...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগুম্বা মীয়ামদা নমথাক তৌবা মখোয়গী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবশিংবু নম্ফু শাফু তৌরগা নমথনবা হোৎনরিবা বি জে পি হায়রিবা পার্টি অসি লৈবাক অসিদগী মরূ ফংনা মূখৎনবা লাক্কদবা ইলেক্সন অসিদা পারা তন্বীরসি হায়খি।

ঙসিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎকী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর গাইখাঙম, সী পি আইগী নেসনল কাউন্সিলগী মেম্বর ডা. এম নরা য়াওনা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 84.873691 |
| US Dollar | 74.667035 |
| British Pound | 101.710213 |
| Australian Dollar | 53.819944 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.802331 |
| Japanese Yen | 0.648462 |
| Malaysian Ringgit | 17.839767 |
| Singapore Dollar | 55.564409 |
| South Korean Won | 0.062515 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.911209 |
| Thai Baht | 2.320450 |

| Spot Gold (24K) Rates/10gm | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 4997.00 |
| Chennai | – | Rs | 5138.00 |
| Delhi | – | Rs | 4997.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 4997.00 |

## GAS NEWS

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto24/12/021**
Valid from 16/12/21
**STOCK 306 NOS.**
Home Dellivery & Booking
Contact numbers
8132036940, 8414824977, 7085786488
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed
**KHORIPHABA NAMBOL BK. UPTODATE**
Timing:6am to 10am
Home delivery no :
9366471778, 8974087390, 8787632782
**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:**
**BOOKING UP TO 19/01/22**
Valid from 06/01/2022
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205
**MAHALAKSMI INDANE GAS,**
**BK. UPTO 10-1-2022,**
valid from 1-1-2022,
Home delivery only,
Plz. cont. office nos.
# 9366590870, #9862312969, # 8787326327,
Timing : 10 am to 12 noon.
For home delivery plz cont.
8414944010, 7005573790, 9366735870
**HIYANGTHANG INDANE.**
**BOOKING 05-01-22.**
Valid.28-12-21.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no.
6381538861, 8414043907,
Whatsapp.no. 6009260971.
**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 30-12-2021**
VALID FROM 26-12-2021
**STK 306**
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 19-02-2022
CONTACT NO - 7005695308, 6009772483
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 25/01/2022
**BOOKING upto : 27/01/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/
9862239855 / 8258856407
*KONTHOUJAM A/c
9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

# অফবা তৌবদা থাগৎপা হৈতবা ...

*লামায় ১গী মখা...* কোংগ্রেস পার্টি অসি ষ্টেট অসিদগী মরূ ফংনা মূখৎপা মতম ওইরে।

লোয়ননা মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী লৈরক্লিবা অহোংবা কয়া অসি মখা তানা লৈহন্নবা লাক্কদবা মীখল অসিদসু বি জে পিখক্তগী ওইবা লৈঙাক অমা মীয়াম্না থম্বা মথৌ তাই হায়খি।

অমরোমদা, শুগুনু এ সীগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎকী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, চহী ২০ হেন্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগসু শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক তৌবা ঙমদ্রবা, চিন্দা খক্তা লৈবাক নুংশিবা শাবা মীওই অমবু শুগুনুগী মীয়াম্না হঞ্জিন হঞ্জিন মীহুৎ ওইনা থাগৎপসিনা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি ঙসিদি চাওখৎ থৌরাংগী লম্দা মনীং হল্লে। মরম অসিনা মীয়াম্না কন্সটিট্যুএন্সি অসিবু মাঙজিল থাবা এ সী অমা ওইহন্নবা হৌজিক লৈরিবা কোংগ্রেস এম এল এ অসি ইন্তুবা মতম ওইরে হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবদনা মণিপুরদা হান্না লৈরম্বা 'হাৎপা নৎত্রবদি পাম্বে লৈতে' হায়বা লৈঙাক অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেস অমদি মতম অদুগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) ওইরম্বা ৱাই জয়কুমারনা লুচিংবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গা পার্টি অনীসিদা মীয়াম্না ভোট থাদবা অসি মণিপুর মাঙলগসু য়ারে হায়বগা পান্থকনি হায়খি।

মরম অসিনা ফৎত্রে খঙলবা পার্টিশিং অসিনা মীয়ামদা অমুক হন্না অফবা তৌরকখিগনি হায়না থাজবা থম্বসি তোল্লসি হায়না আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা এম বিনোদনা চহী ২০ লোম মমদুনা লৈরুরবা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি অনৌবা মঙাল অমা লৈহন্নবা মীয়াম্না মহাকপু শৌগৎপীয়ু। মরু ওইনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা লৈরিবা বি জে পিগী দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক অসিগী অওনবা অদুদা শুগুনু এ সী অসিসু শরুক য়াহনবা ঙম্নবা মীয়াম্না মঙোন্দা ভোট পীবিদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌহনবীয়ু হায়খি।

মহাক্কী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (সোসল জষ্টিস) প্রতিমা ভৌমিক য়াওনা পার্টিগী মরু ওইবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

# কোংগ্রেসনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ ...

*লামায় ১গী মখা...* কেন্নেদিনা ফোঙদোকখিবদনা ককচীং এ সী অমসুং মণিপুরগী নহাশিংগী তুংগী য়াইফ থৌরাংগী অশানবা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনগনি। ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মতম শাংনা হকশেলগী, ঈথৈ লৌখোংগী, লম্বী থোংগী, শান্ন-খোৎনবগী লম্দা অৱাৎ অপা কয়ানা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা অমদি তুংগী মীরোল ওইরক্কদৌরিবা নহা কয়াগী লম্বী অসুম অসুম মাঙশিল্লকপা উরকখি। অসিগুম্বা কয়া অসি মেনখৎতুনা অওনবা অহোংবা, চাওখৎপা অমদি ৱাত্ত-পাদবা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহঞ্জগে খন্দুনা লৈঙাক্কী কোলেজগী এসোসিএট প্রোফেসর ওইনা থবক তৌজরম্বদগী থাদোক্তুনা ১২শুবা মীখল অসিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইনবা থোকচরকপনি হায়খি।

ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈবিরিবা মীয়াম পূম্নমক্না মহাক্কী খূবাক য়েকপা সিম্বোলদা ভোট পীবিদুনা অওনবা, মাঙলোমদা চঙশিনবা চাওখৎপা, হীরম খুদিংমক্তা ৱাত্ত-পাদবা অমসুং নুংঙাই-য়াইফবা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমসুং মণিপুর ওইহন্নবা হোৎনজবদা মহাকপু অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি মহাক্কী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা কোংগ্রেসকী মরু ওইবা লুচিংবশিং, দিষ্ট্রিক্ট অমদি ব্লোক কোংগ্রেসকী লুচিংবশিং লোয়ননা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হান্নগী ভাইস চ্যেরপর্সন অমদি কাউন্সিল্লর ওইরম্বা কয়াসু শরুক য়াখি।

# এন পি পিনা শকখিবা ৱাশক কায়হল্লোই...

*লামায় ১গী মখা...* প্রসিদেন্টগী ৱারোল পীরদুনা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, কৈশামথোং এ সী অসিদসু এন পি পিগী মীরেপ ওইরিবা এল জয়ন্তকুমারগী ফীভম য়াম্না ফনা লৈরি। মরম অদুনা মীয়ামগী থৌজালদগী শোয়দনা ভোট কারগনি হায়বগী চপচাবা থাজবা লৈরে। এন পি পিগী প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা লৈখিদ্রবা পি এ সংমানা হায়বিরম্বা ৱাফমশিং নীংশিংবা য়াই। মদুদি নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম হীরম খুদিংদা থৌনা মরিংজেল লৈবা নোঞ্জবা হৈতবা মীওইশিংনি। মরম অদুনা মালেমগী লৈবাকশিংগা নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামগা মায়োক্নবা ঙম্মী। মহাক্না থম্বিরিবা ৱাখল্লোল অসি ঙসিসু অদুমক হীংদুনা লৈরি। অসিগুম্বা ফজরবা ৱখল্লোল অসি হীংহন্দুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাংনি। নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামশিংগী ৱা ঙসি সেন্টরনা তাবিবা-খঙবিবা অমদি থাজবা হৌরক্লবনি। নোংমা শোয়দনা নোর্থ ইষ্টতগী এম পি ২৪দগী হেন্না লৈবা ঙম্লগনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামগী অচৌবা রোল অমা লৌবগী মতম শোয়দনা লাক্লগনি।

মরম অদুনা মণিপুরদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি য়াম্না মরুওইবা মীখল অমনি। মীখল অসিগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলশিংদা চাওনা ইথিল অমা পীবা হায়বদু ওইগনি। মণিপুরগী মীয়াম্না পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি তরাইনা লৌবিগনু। এন পি পি হায়রিবা অসি নোর্থ ইষ্ট মীয়ামগী পার্টিনি অমদি ফেমিলি অমনি। মরম অদুনা ফেমিলিদা থোক্লকপা প্রোব্লেম খুদিংমক ফেমিলি অমা ওইনা পুন্না তাথোক-তাশিন তৌদুনা সোল্ভ তৌনবা হোৎনগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা এন পি পি মণিপুরদা সিঙ্গল লার্জেস পার্টি অমা ওইদুনা চাওনা মায়পাক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এন পি পি ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম জোয়কুমার, পার্টি অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অমদি কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ, এল জয়ন্তকুমার, এন পি পি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) শৈখ নুরুল হাসননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। এন পি পি কৈশামথোং য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট হাউবম বিহারি, আই এম সীগী ফোর্মর ময়র সোরাম সুনিলকুমার, আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১২গী ফোর্মর কোরপোরেটর অমদি এন পি পি ৱিমেন ৱিংগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট পোৎশংবম ওংবি প্রেমিলা, আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১১গী ফোর্মর মেম্বর মোংজম অরুনকুমার, আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১১গী ফোর্মর মেম্বর থৌনাওজম প্রননজোয়, আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১২গী ফোর্মর মেম্বর মাইবম রামচরনসু শরুক য়াখি।

**Format C-I**

Declaration about criminal cases *(for candidate to publish in Newspapers, TV)*

*(As per the judgment dated 25th September, 2018, of Han 'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of2011 (Public Interest Foundation & Drs. Vs. Union of India & Anr.)*

Name and address of candidate: **MR MAYANGLAMBAM RAMESHWAR SINGH**
Name of political party: **NATIONAL PEOPLE'S PARTY**
*(Independent candidates should write "Independent" here)*
Name of Election **12th MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY ELECTION, 2022**
*Name of Constituency: **37-KAKCHING ASSEMBLY CONSTITUENCY**
I **MR MAYANGLAMBAM RAMESHWAR SINGH** a candidate for the abovementioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents:

| Sl. No. | Pending criminal cases | | | Details about cases of conviction for criminal offences | |
|---|---|---|---|---|---|
| | Name of Court | Case No. and status of case | Section(s) of Acts concerned and brief description of offence(s) | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of Offence(s) & punishment imposed |
| 1. | In the Court of Special Judge (CBI) East Khasi Hills District Shillong | Special (CBI) Case No. 1 OF 2015<br><br>Disposed of by the Hon'ble Court and I have been discharged. | Under Section: 120B, 420, 407 of the Indian Penal Code (I.P.C.), 1860 and 13(2) Read With (R/W) Section 13(1)(d) of the Prevention of Corruption (P.C.) Act,1988,<br><br>Punishment of Criminal Conspiracy under section 120B of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860 for committing offence under:<br>(1) Section 420 of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860: Cheating and inducing delivery of property,<br>(2) Section 407 of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860: Criminal breach of trust by carrier, etc. and<br>(3) Section 13(2) of the Prevention of Corruption (P.C.)Act,1988:Punishment for criminal misconduct by Public Servant R/W Section 13(1)(d) of the Prevention of Corruption(P.C.) Act,1988 : Criminal misconduct by Public Servant | Court of Special Judge (CBI) East Khasi Hills District Shillong and final order dated 20th October, 2021. | NIL<br>N.B. I have been discharged from the above case on 20.10.2021 |

*In the case of election to Council of States or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.
Note: (i) Details should be given separately for each case in separate rows. (ii) The matter in newspapers should be in front size of atleast 12.

**Sd/- Mayanglambam Rameshwar Singh**
**Signature of the Candidate**

HL-B/7476/19

**Format C-2** *(For political party to publish in website, newspaper, TV)*

Declaration about criminal antecedents of candidates set up by the party

*(As per the judgment dated 25th September, 2018, of Han 'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of2011 (Public Interest Foundation & Drs. Vs. Union of India & Anr.)*
Name of Political Party : **NATIONAL PEOPLE'S PARTY**
*Name of Election : **12th MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY ELECTION, 2022**
Name of State/UT : **MANIPUR**

| 1. | 2. | 3. | 4. | | 5. | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sl. No. | Name of candidate | Name of constituency | Pending Criminal cases | | Details about cases of conviction for criminal offences | |
| | | | Name of Court, Case No. & Status of the case(s) | Sections of the Acts concerned & brief description of offence(s) | Name of Court & date(s) of Order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed |
| 1. | MR MAYANGLAMBAM RAMESHWAR SINGH | 37-KAKCHING ASSEMBLY CONSTITUENCY | Court of Special Judge (CBI) East Khasi Hills District Shillong<br><br>Special (CBI) Case No. 1 OF 2015<br><br>Disposed of by the Hon'ble Court and I have been discharged. | Under Section: 120B, 420, 407 of the Indian Penal Code (I.P.C.), 1860 and 13(2) Read With (R/W) Section 13(1)(d) of the Prevention of Corruption (P.C.) Act,1988,<br><br>Punishment of Criminal Conspiracy under section 120B of the Indian Penal Code(I.P.C.),1860 for committing offence under:<br>(1)Section 420 of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860: Cheating and inducing delivery of property,<br>(2)Section 407 of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860: Criminal breach of trust by carrier, etc. and<br>(3)Section 13(2)of the Prevention of Corruption(P.C.)Act,1988:Punishment for criminal misconduct by Public Servant R/W Section 13(1)(d) of the Prevention of Corruption(P.C.) Act,1988 : Criminal misconduct by Public Servant | Court of Special Judge (CBI) East Khasi Hills District Shillong and final order dated 20th October, 2021. | NIL<br>N.B. I have been discharged from the above case on 20.10.2021 |

*In the case of election to Council of States or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.
Note: (i) The above information shall be published State wise for each State/UT.
(ii) The matter in newspapers should be in front size of atleast 12.

HL-B/7477/19

**Sd/- Russell Heisnam, General Secretary (Administration), NPP, Manipur**